# লৈত–লায়রনা ৱানা হোৎনরকখিবা চীংলেনসনানা ইন্টরনেস্নেলগী মেটচ ৫১ শান্নখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৪ঃ* লৈত–লায়রনা ৱানা হোৎনরকখিবগী মহৈ ওইনা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা বাসিখোং ৱাঙ্খ্রে লৌমানবীদা লৈবা কাঙুজম চিংলেনসনা (চহী ২৬) না শরুক য়াদুনা ইন্টরনেস্নেলগী মেটচ ৫১ শান্নখ্রে। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা ইন্টরনেস্নেলগী ওইনা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা গোল ৫ চনবা ঙমখিবতা নত্তনা ইং ২০১২ তা দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন চেলেঞ্জদসু বেষ্ট পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।



চহী অসিগী ওইনা জুলাই থাদা স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেলঠ গেমসকী ইন্দিয়া হোক্কী টিম শেম্নবা প্রোবেবল ওইনা শান্নরোই ৩৩ খল্লকপদা য়াওরিবা মিদ ফিল্ডর ওইনা শান্নরিবা মণিপুরগী কে চিংলেনসনানা মহাক্কী য়ুমদা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা হোক্কী মশান্নদা ইং ২০০১ দগী চংলকপা হৌরকখি। লৈকাইগী অহল–লমনশিংনা শান্নবা য়েংলুবদগী মশান্না অসিদা চংনিংবগী ইথিল অমা পোক্লকপা হৌখি। মতম অদুদা য়াম্না ৱানা হিংবা পুন্সি মরেল ওইবনা হোক্কী ষ্টিক অমদি শান্ন–খোৎনবদা চংগদবা মচাক মথুমশিং লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। লৈকাই অসিমক্তদা লৈবা ইন্টরনেস্নেল শান্নরোই ওইখিবা টি ঐচ ৱোজেনগী চাওরবা মতেংদগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্কীদমক মাম্মা অহুমনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। ইম্ফালদা ইং ২০০৫ দা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেস্নেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ্তা চিংলেনসনা মণিপুর টিমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখি। চিংলেনসনা লৈকাই অদুমক্তদা লৈবা মৈরা ক্লবতগী শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা হৌরকখি। দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অন্দর ১৪ ইন্টর স্কুল হোক্কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা অদুগী পার্ফোমেন্সনা য়ুম্ফম ওইরগা দিল্লিদা লৈবা পি এন বি হোক্কী একাদেমিদা লৈননবা ট্রায়েল কৌরকপদা মহাকসু য়াওখি। ট্রায়েল অদুদা মায় পাক্তুনা একাদেমি অসিদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংবগা লোয়ননা ইং ২০০৬ তা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা সিঙ্গাপুর টুরদা অহানবা ওইনা জুনিয়র কেটাগোরিগী ইন্টরনেস্নেল মেটচতা শান্নবা হৌখি।

ইং ২০০৯ দা ৱেষ্টর্ন রেলৱে মুম্বাইদা থবক ফংখি। হৌজিক্না সেনিয়র টিকেট কলেক্টর ওইনা লৈরি। মসিগী মতুং ইং ২০১০ দা ওল ইন্দিয়া রেলৱে টিমদা শরুক য়াদুনা ঝলন্দরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওইল সুর্জিৎ সিংহ হোক্কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ফংখি। টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংলকখি।

চিংলেনসনানা হৌজিক ফাওবা ইন্টরনেস্নেল মেটচতা শরুক য়ারকপদা রন্নর্স অপ অহুমলক তাবা ঙমখ্রে। মহাক্কী মপুং ওইবা পান্দমদি ইং ২০১৬ তা ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস্তা শরুক য়াবা অসিনি।

ইন্দিয়া হোক্কী টিমনা কমনৱেলঠ গেমসকী মতুংদা সেপ্টেম্বর থাদা কোরিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অমদি দিসেম্বর থাদা চেম্পিয়ন ট্রোফিদা শরুক য়াগদৌরি। মসিদসু মহাক নেস্নেল টিমদা য়াওননবা হোৎনগনি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্না ষ্টেট অসিগী কোচ রোমেশ, হেরো, টোম্বী, মোটিলাল অমদি কোচ কয়াগী মখাদা শান্নবা হৌরকখিবনি। ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অসি হৌজিক্কী ওইনা ইন্টরনেস্নেল রেঙ্কিংদা ৮ শুবদা লৈরি।

হোক্কী মশান্নদা মণিপুরনা হৌজিক য়াম্না শোক্তুরক্লিবগী মরমদি টুর্নামেন্ট য়াম্না পাঙথোকপা ঙমদবা অসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইরি। কোচশিংনা মশান্না অসিবু নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা পামহন্নবা থৌরাং কয়া পাখৎহনিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরকখি।


হন্দক্কী ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা কৌখৎলকখিবা অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা কোথাজিৎ সিংহসু য়াওরি। হয়েংদগী মেজর ধ্যানচান্দ নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং কেম্প হৌরগনি।

## চয়োল ৬ কী স্পোর্টস কোচিং লোয়শিনখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৪ঃ* স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা শিন্দুনা মমাং থাগী ১৫ দগী তাকয়েলদা লৈবা সাই সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স হোলদা চখরকখিবা চয়োল তরুক্কী স্পোর্টস কোচিং ২০১৪ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

স্পোর্টস কোচিং অসিদা টাইক্বান্দো, ৱুসু অমদি ছেপাকতাক্রৌগী মপান লমদগী লাকপা ট্রেনরশিং য়াওনা পুন্না ৩০ না শরুক য়াখি। কোচিং লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সাই এন ঈ আর সি ইম্ফালগী দিরেক্টর ইন চার্জ সুবাশ বাসুমাতরি, সেন্টর অসিগী সি ও ঈগী ইন চার্জ ওইরিবা টি ঐচ ইবোতোম্বী সিংহ, সাই এস টি সি ইম্ফালগী সেন্টর ইন চার্জ কে মাইকেল সিংহ অমদি সাই এস এ জি উৎলৌগী সেন্টর ইন চার্জ এ ইন্দুকিরন সিংহনা শরুক য়াদুনা ট্রেনরশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*